এন দি এ গভর্ণমেন্ট চহী ৩ শুরকপগী মতাংদা সিটি ৯০০দা 'মোদি ফেষ্ট' পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) :



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চহী ৩ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না মেগা ইভেন্ট মথং মথং পাঙথোক্কদৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা হায়খি, মে ২৬তগী হৌরগা জুন ১৫ ফাওবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মেকিং ওফ দিভলপ ইন্দিয়া (মোদি) ফেষ্ট পাঙথোক্লগনি। মে ২৬তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুৱাহাটিদা থৌরম অসি হৌদোক্কনি।

ইরানিনা হায়খি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা সিটি ৯০০দা মোদি ফেষ্ট পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। মোদি ফেষ্টকা ইরোয়ননা সবকা সাথ, সবকা বিকাশ সমেলনসু তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্কনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হায়রিবা থৌরমশিং অদুদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মীওই পূন্নমক শরুক য়াগদৌরি।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পায়খৎখিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ইরানিনা হায়খি, জন ধন যোজনাগী মখাদা মীওই ক্রোর ২৫ রোম বেঙ্কিং সিষ্টেমগা মরী লৈনহনবা ঙম্লে। মুদ্র যোজনাগী মখাদা মীওই ক্রোর ৭তা লোন ফংহনখ্রে অমসুং পি এম উজৱালা যোজনাগী মখাদা নুপী ক্রোর ২দা গ্যাস কনেক্সন পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা চাউখৎ থৌরাং য়ৌহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, এম পি, চীফ মিনিষ্টর অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর খুদিংমক শরুক য়াগনি হায়রি।

পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা কেরলা, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, ছতিসগর অমদি অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা মোদি ফেষ্টতা শরুক য়াগনি। হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা জয়পুর অমদি মুম্বাইদা অদুগা সুস্মা স্বরাজনা দিল্লি অমসুং লখনৌদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

বি জে পিগী সোর্ছ অমনা হায়খি মদুদি, দিমোনেটাইজেসন, পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীরদা চথখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমদি ৱেলফেয়র স্কিমশিং মরুওইনা লায়রবা, লৌমী অমসুং নুপীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্নহন্নবগী পান্দমদা মোদি ফেষ্ট পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কেপিটেল সিটিদা লৈবা বি জে পি ওফিসকা খুৎশম্নরগা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা মাঙজৌননা পাঙথোকপা লৈখ্রে।

মোদিনা মরম ওইরগা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট খরগী মীখলদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা বি জে পিনা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা নুমিৎ ৯৫নি চুপ্পা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎকদৌরি।

খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ভোটর লীশিং ৫০ রোম লৈবা লক্ষদিপতা শাহনা চত্তুনা মীয়ামগা উনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি পার্টিগী এম পিশিংনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৩০০ লোমদা চত্তুনা মীয়ামগা হকথেংননা উনবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

মে ২৬তা মোদিনা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা হৌনবী মতুং ইন্না মোদি ফেষ্ট হৌদোক্কনি হায়রি।

হান্নগী কোল সেক্রেটরি, অতোপ্পা মীওই অনী চহী ২ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) :

প্রাইভেট ফার্ম অমদা কোয়লা পেকফম পীথোকখিবগী মতাংদা অরানবা থৌওং চথুখি হায়বগীদমক সী বি আইগী স্পেসল কোর্ট অমনা হান্নগী কোল সেক্রেটরি ঐচ সী গুপ্ত অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীবু চহী ২ জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী থেসগোরা-বি রুদ্রপুরি কোল ব্লোক এলোকেসন তৌবদা অরানবা থৌওং চথুখি হায়বগীদমক কুমজা ২০০৫গী দিসেম্বর ৩১দগী কুমজা ২০০৮গী নবেম্বর ফাওবা কোল সেক্রেটরি গুপ্ত, মতমদুগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে এস ক্রোফা অমসুং কোল মিনিষ্ট্রিদা দিরেক্টর ওইরম্বা কে সী সমারিয়াবু মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা লাউথোকখি।

সী বি আইনা গুপ্তবু চহী ৭ কৈশুমশঙদা থমদুনা চৈরাক পীনবা স্পেসল কোর্টতা তকশিনখিবনি। অদুবু মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অদুনা অহল ওইশিল্লকপগা লোয়ননা মমাঙদা অতোপ্পা ৱাথোক অমত্তদা চেন্নখিদবা মরম্না অকনবা চৈরাক পীবিদনবা হায়জখি।

স্পেসল কোর্টনা ৱায়েল চথরবা মতুংদা মরাল লৈরবা মীওই অহুম্মক্তা লুপা লাখ ১/১ ফাইন ওইনা থীনবা খঙহনখি। চেন্নরিবা প্রাইভেট ফার্ম কমল স্পোঞ্জ ষ্টিল এন্দ পাৱর লিমিটেদতনা লুপা ক্রোর ১ ফাইন ওইনা থীনবা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা ৱায়েল হেক পীখ্রবা মতুংদা মরাল লৈরবা মীওইশিংবু হায় কোর্টতা আপিল তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহনবা ওইনা বেল পীখি।

হৌখিবা মে ১৯দা কোর্টনা গুপ্ত, ক্রোফা অমদি সমারিয়াবু কেস অসিদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। কমল স্পোঞ্জ, ষ্টিল এন্দ পাৱর লিমিটেদ অমদি ফার্ম অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর পৱন কুমার অলুৱালিয়াবুসু অরানবা থৌওং চথুখিবগী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা লাউথোকখি। অদুম ওইনমক চার্টর্দ একাউন্টেন্ট অমিত গোয়লদা কেস অসিদা মরাল লৈতে হায়না কোর্টনা থাদোকখি।

কুমজা ২০১২গী ওক্টোবরদা সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি। অদুবু কুমজা ২০১৪গী মার্চ ২৭তা ক্লোজর রিপোর্ট ফাইল তৌখি।

কোর্টনা ক্লোজর রিপোর্ট অদু কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ১৩দা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা গুপ্ত অমদি অতৈ মরাল লৈরবা পূন্নমক কৌখৎখি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ১৪দা কোর্টনা চেন্নববা মীওইশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখিবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি, মমাঙগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈদা গুপ্তনা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহবু হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খঙহনদনা

ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লগনি : বোর্দ

तीन तलाक और हलाला बंद हो
भारतीय मुस्लिम महिला आंदोलन
महाराष्ट्र युनिट

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) : ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌখ্রে।

এফিদেবিট অদুদা এ আই এম পি এল বিনা হায়খি মদুদি, মুস্লিম ফুরুপকী মীওই খুদিংমক্তা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। য়ুম্বান পূন্সিদা খোঙদামিন্নরবা নুপা-নুপীগী মরক্তা টলাক হায়বা ৱাহৈ অসি অহুম্লক হন্না হায়হন্দনবা হোৎনরগনি। সয়া লোগী মতুং ইন্না থৌরাং অসি লৌখৎপদা অকায়বদা লৈতে।

ট্রিপল টলাক্কী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা তোঙানবা পিটিসনশিংগী হিয়ারিং চথরবা মতুংদা চীফ জষ্টিস জে এস খেহরনা লূচিংবা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা হীরম অসিগী মতাংদা পীবগদবা ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টসু মুস্লিম নুপীশিং হন্থনা য়েংবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী মুথৎকদবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মে ১১দা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা ট্রিপল টলাক, কিহাহ হল্লালা অমসুং পোলিগেমিগী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরিঙৈ চৈরক্তা হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি পীরকখিবনি। এ আই এম পি এল বিনা ট্রিপল টলাক্কুম্বা মরুওইবা হীরমগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা ঙমদে হায়না মুস্লিম নুপীশিংগী লূপ অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ওল ইন্দিয়া মুস্লিম ৱিমন পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম দব্লিয়ু পি এল বি)গী প্রসিদেন্ট সাইস্তা অম্বরনা হায়খিবনি মদুদি, এ আই এম পি এল বিনা কঙ্গারু কোর্টকী মওংদা থবক তৌবা চুমদে। বোর্দ অসিনা লৌবা ৱারেপ নৎত্রগা রেকমেন্দেসন পূন্নমক অতোপ্পা মীওইশিংদা নমদুনা ইলহনবা য়াদে। কোর্ট অমদি পার্লিয়ামেন্টনা লৌরকপা ৱারেপখক্তমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ইনগদবনি।

উত্তর প্রদেশকী ৱিমন এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর রিতা বহুগুনা জোসিনা কৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সাইস্তা অম্বরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। এ আই এম পি এল বিবু ওল ইন্দিয়া মৌলবী পার্সনেল লো বোর্দ কৌগদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী মিনিষ্টর মোহসিন রাজানা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা য়েংনরিঙৈগী চৈরক্তা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা চৎনবী অসি মুথৎপা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা পোলিটিসিয়ন খূদিংমক চৎনবী অসি শৌগৎলি হায়না লৌফম থোকই।

নোংমৈ পুরগা চেনখিবা কাশ্মীরী পুলিসমেন হিজবুলদা য়াওখ্রে

শ্রীনগর, মে ২২ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বদগাম দিষ্ট্রিক্টতগী সার্বিস রাইফল মরি পুরগা চেনখিবা পুলিস কন্সটেবল অমা হিজবুল মুজাহিদ্দিনদা য়াওখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটকী সিনিয়ার ইন্টলিজেন্স ওফিসার অমনা হায়খি, থাংজ নুমিত্তা ফুদ কোর্পোরেন ওফ ইন্দিয়া (এফ সী আই)গী ৱেয়র হাউসতগী চেনখিবা কন্সটেবল সয়দ নাবিদ মুস্তাক হিজবুল মুজাহিদ্দিনদা য়াওখিবগী পাউ ফংলে।

সাউথ কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা নজনিনপোরা খুঙ্গংদা লৈবা মীওই অসি কুমজা ২০১২দা ষ্টেট পুলিস ফোর্সতা চঙলকখিবনি।

ন্যুজ এজেন্সীদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হিজবুলগী স্পোক্স-মেন বুরহান-উদ-দিনন কন্সটেবল সয়দ নাবিদ মুস্তাকপু তরাম্না ওকপগী ৱারোল ফোঙদোরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, অতেনবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট ফোর্সতা লৈরিবা মীওই কয়ামরুম নীংতম ঈহৌদা শরুক য়ারক্লগনি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নাওগামদা চথুখিবা ওপরেসন্দা টেররিষ্ট মরি অমসুং আর্মি জৱান অহুম শিখিবনি। লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী নাওগাম সেক্টরদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎরকখিবা থৌরাং অমা মায় পাকহনখিদ্রবা মতুংদা নাকল অনী খুৎ থোক্নবদা টেররিষ্ট মরি অমসুং আর্মি জৱান অহুম শিখিবনি।

নাওগামগী এল ও সী মনাক্তা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা মায় পাকপা ঙমহন-খিদ্রে। মতম ঙাইহাক কান্নরগা অতোপ্পা মফম অমদা অমুক হন্না ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখি। থৌদোক অদুদসু আর্মিনা টেররিষ্টশিংগী থৌরাং পূন্নমক অরেম্বা তাহনখি হায়রি।

মে ১৪ দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱরা রিজন্দা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা লাস্কর-ঈ-টৈাইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট অনী কাপ্তুনা হাৎখিবা লৈখ্রে। থৌদোক অদু কাশ্মীরগী ৱারিপোরা এরিয়াদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থৌদোক থোকফম অমদি অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নেপালদগী ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অমা সশস্ত্র সিমা বল (এস এস বি)না ফাখি। ফারবা মীওই অদুদগী পাকিস্তাননা পীবা পাসপোর্ট অমা ফংখিবনি।

নাসির অহমদ এলিয়স সাদিক কৌবা মশাগী চহী ৩৪ রোম শুরবা মীওই অদু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বনিহাল এরিয়াদা চথুখিবা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াদা চেন্নবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৩দা মহাক পাকিস্তান দা চত্তুনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনদা য়াওখিবনি। কুমজা ২০০৩গী নবেম্বরদগীনা কুমজা ২০০৪গী জন্যুৱারী ফাওবা অতক (খাইবর পাক্তুনখ্বা প্রোভিন্স) কৌবা মফম অমদা খুৎলাই শীজিন্নবগী মতাংদা ট্রেনিং ফংখিবা মীওই অসি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা মখল কয়াগী এটেক চথুহন্দুনা লাকখি।

ফারবা মীওই অসি এ কে-৪৭, এ কে-৫৬, এস এল আর, রোকেট লোঞ্চর (আর পি জি-৭), এসোল্ট রাইফল (জি-৩ অমসুং জি-২) অমদি গ্রেনেদ শীজিন্নবগী মতাংদা নীংথিনা খঙ হৈরবা মীওইনি।

ইন্দিয়ানা এন এস জিদা য়াওনবা অমুক হন্না হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) :

মেম্বর ৪৮ লৈবা ন্যুক্লিয়ার সপ্লায়র্স গ্রুপ (এন এস জি)গী মীফম অমা মথং থাদা স্বিজরলেন্দগী কোনুং বর্নদা পাঙথোকপা মতমদা ইন্দিয়ানা গ্রুপ অসিগী মেম্বর ওইনবা থৌরাং অমুক হন্না লৌখৎকদৌরি।

চাইনানা অথিংবা পীরকপদগী হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইবা ফংদনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক্তি লৈবাক অসিগী নন-প্রোলিফরেসন রেকোর্দ পূন্নমক ময়েক শেংনা পুথোকপগা লোয়ননা গ্রুপ অসিদা শোয়দনা য়াওনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এন এস জিগী মেম্বর ওইনবা হোৎনবা হায়বসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লুবা ফোরেন পোলিসিনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙ চহীগী জুন থাদা এন এস জিগী প্লিনরি সেসন অমা সিওলদা পাঙথোকখিবা মতমদা ইন্দিয়াবু মেম্বর ওইনা লৌশিনবগী ৱাফম কুপ্না খন্নখি। অদুবু চাইনানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী ইন্দিয়াগী থৌরাং পূন্নমক অরেম্বা তাখি।

ওফিসল সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা মেম্বর লৈবাক খূদিংমক্কা লন্নাই ওইনা ৱারী শানদুনা হীরম অসিদা মতেং পাংবীরক্লবা হায়জবা লৈখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হন্দক্কী মতাং অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স অমদি রসিয়ানা ইন্দিয়াবু মপুং ফানা শৌগৎলকপা য়াই হায়রি।

ন্যুক্লিয়ার নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি)দা সাইন তৌদবা লৈবাক অমত্তা এন এস জিদা য়াওহনবা য়ারোই হায়না চাইনানা অথিংবা পীরকখি। পাকিস্তানসু গ্রুপ অসিগী মেম্বর ওইনবা থৌরাং লৌখৎলিবনি।

য়ু পিদা মাইনোরিটিশিংগী ক্বোটা পীররোই : অদিত্যনাথ

লখনৌ, মে ২২ (এজেন্সী) :



অচৌবা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাথোক অমা থোকহনবা য়াবা মওংদা উত্তর প্রদেশকী বি জে পি গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী সোসল ৱেলফেয়র স্কিমশিংদা মাইনোরিটিশিংগী ক্বোটা পীবগী থৌওং চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

মমাঙদা পাল্লম্বা সমাজৱাদি পার্টি গভর্ণমেন্টনা হৌদোক্লম্বা মতুং ইন্না মীশিং য়ামজদবা কাঙলূপকী মীওইশিংগীদমক চাদা ২০ রিজার্বেসন পীবগী থৌওং চৎনদুনা লাকখিবনি।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না মাইনোরিটিশিংদা ক্বোটা পীবগী থৌওং মুথৎপগী ৱাফম সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর রামপতি ছাস্ত্রিনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি। মমাঙদা ষ্টেট অসিগী মীশিং য়ামদবা কাঙলূপকী মীওইশিং, মরুওইনা মুস্লিমশিংনা সুগর দিভলপমেন্ট, মাইক্রো ইরিগেসন, হোর্টিকলচর, এগ্রীকলচর, এনিমেল হজবেন্দরী, রুরেল দিভলপমেন্ট, বেসিক এদ্যুকেসন, পঞ্চায়টি রাজ, মেদিকেল এন্দ হেল্থ, পব্লিক ৱার্কস, টুরিজম, হায়র এদ্যুকেসন অমদি য়ুথ ৱেলফেয়রনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগী স্কিম কয়াদা ক্বোটা ফংদুনা লাকখিবনি।

মীওই মশেলগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোই হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা মীপুম খূদিংমক্কী কান্নগদবা মওংদা থবক তৌগনি। উত্তর প্রদেশ শেমগৎ শাগৎপদা মীপুম খূদিংমক শরুক য়াহন্নবা হোৎনগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমত্তবু পেলহন্নবা হোৎনবগী ৱাফম লৈতে। মীগা মীগা খেন্নবা লৈহন্দবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু কিফম থোক্তে।

লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা যোগি অদিত্যনাথতগী গভর্ণমেন্টনা নিটি আয়োগকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা খুৎশম্নরগা উত্তর প্রদেশ চাউখৎহন্নবগী মতাংদা মপুং ফাবা থৌশীল অমা শেমগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা শেমগদৌরিবা জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপতা নিটি আয়োগকী মেম্বর রামেশ চন্দ্র অমসুং চীফ ইগজিক্যুটিব ওফিসার অমিতাব কান্ত য়াওহনগনি হায়না ভাইস চ্যেরমেন ডা. অর্বিন্দ পনাগারিয়ানা ফোঙদোকখি।

য়ু পি গভর্ণমেন্টকী ওইনা কেবিনেট মিনিষ্টর সিদার্থ নাথ সিংহ, চীফ সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (প্লানিং)না জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপকী মেম্বরশিং ওইগনি হায়রি।

ফনা মরুওইবা মীওই ওইবা তারবসু অরানবা তৌরম্বা থোক্লবদি লেম্না থারোইদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা পুলিস ওফিসারশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে। নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৮দগীনা পুং ১১ ফাওবা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু অদিত্যনাথনা সিনিয়ার পুলিস ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

দিফেমেসন কেস ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা লুপা ক্রোর ১০গী দিফেমেসন কেস ফাইল তৌখ্রে।

কেজ্রিৱালনা জেটলিবু ওইদবা ঙাঙবা মীওইনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। কেজ্রিৱালগী উকিল ওইনা লেপখিবা রাম জেথমালানিনা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী মায়োক্তা মিংচৎ থীহনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা জেটলিনা হায়খি, কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চীফ মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওখিব্রা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি।

লৈবাক মীয়াম মাঙদা মিংচৎ থীহনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকখি-বগীদমক লুপা ক্রোর ১০গী ওইবা দিফেমেসন কেস ফাইল তৌবনি।

কেস অসিগী হিয়ারিং চথরদুনা জষ্টিস মনমোহন সিংহনা হায়খি, ৱাফম অসিগী অচুম-অরান পূন্নমক কোর্টনা শোয়দনা ৱায়েনগনি। কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বরদা জেটলিনা কেজ্রিৱাল অমদি এ এ পিগী অতৈ লূচিংবা খরগী মথক্তা দি দি সী এগা মরী লৈননা কেস অমা ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি।

আই সী জেগী অরোইবা ৱায়েল পীদ্রিঙৈদা কুলভুষণ হাৎখিরোই : অব্দুল বাসিত

ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী) :



কুলভুষণ যাদবকী মতাংদা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)না পীরকপা অরোইবা ৱায়েল ইস্লামবাদনা ঈকায় খুম্নগনি হায়না পাকিস্তানি হায় কম্মিস্নার অব্দুল বাসিতনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক তঙাইফদবা ফীভম লাক্লবদি আই সী জেগী অরোইবা ৱায়েলদগী লৈবাক্কী লোনা হেন্না লুম্না লৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

টাইমস ওফ ইন্দিয়াগা অখন্ননা ৱারী শানখিবা অমদা বাসিতনা হায়খি, পাকিস্তান্না ইন্টরনেসনল লো ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা আই সী জেনা যাদবগী মতাংদা পীরকপা অরোইবা ৱায়েল ঙাক্লা চৎকনি। অদুম ওইনমক তঙাইফদবা ফীভম লাক্লবদি পাকিস্তানগী জষ্টিস সিষ্টেমনা লৌরকপা ৱারেপকী মতুং ইন্না থবক পায়খৎকনি।

ইন্টরনেসনল কোর্টনা হন্দক্তা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীবগী ৱায়েল অদু চৎনহন্দনা থম্বা লৈখ্রবনি।

পাকিস্তান্না কুলভুষণ যাদবকী কেস চয়োল ৬কী মনুংদা অমুক হন্না হিয়ারিং চথবীনবা আই সী জেদা পিটিসন অমা ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি। মে ১৫দা পাকিস্তানবু ভিয়েনা কনভেন্সন ঙাক্লা চৎত্রে হায়না মরাল শীরদুনা ইন্দিয়ানা হায়খিবনি মদুদি, কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

আই সী জেনা যাদবকী কেস হিয়ারিং চথবা হৌরকপদা ইন্দিয়ানা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান্না হ্যুমেন রাইটসকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি খুদক্তা অথিংবা পীফম থোকই। মশাগী চহী ৪৬ শুরবা যাদবদা কোন্স্যুলর এসেস পীবিনবা কয়ারক হন্না হায়জবদা পাকিস্তান্না অয়াবা পীখিদে। যাদবগী পূন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপদগী চিংশিন্নবা হোৎনরকপনি।

ইন্টরনেসনল কোর্টকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শিবগী চৈরাক পীখিবা য়াই হায়না এটোর্নি হরিজ সালবেনা ফোঙদোকখি। ইস্লামবাদনা অচুম্বা ৱায়েল চথুবগী মওং উবা ফংদবা মরম্না ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শোয়দনা শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখিবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টনা যাদবকী মথক্তা চথুখিবা ট্রাইয়েল অদু চৎনবা য়ারোই হায়না ইন্দিয়ান ওফিসল দিপক মিতালনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা কুলভুষণ যাদব শিরম্বা য়ারে হায়না দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। আই সী জেনা যাদব থাদোকহনবা ঙম্লোই অমসুং মহাকপু পাকিস্তানগী লো মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না পাকিস্তানি ফোরেন এফেয়র্স এদভাইজর সরতাজ অজিজনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা দিফেন্স এক্সপার্টশিংগী মোত পীরকখিবনি।

সরতাজ অজিজগুম্বা মতিক চারবা পোলিটিসিয়ন অমনা মথোং হুক্তবা ৱাফম ফোঙদোরকপা লাইবক থীবনি। থৌওং অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্তা চিংনবা অমদি চমম্নবা পোকহল্লে হায়না দিফেন্স এক্সপার্ট পি কে শেহগলনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

আই সী জেনা কুলভুষণবু শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই হায়না খঙহনখিবা ৱাফম অদু করিগুম্বা পাকিস্তান্না ঙাক্তবা থোক্লবদি রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্তা পাকিস্তান্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরকপা য়াই। মদুগীসু মথক্তা য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মরী কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই হায়নসু শেহগলনা ফোঙদোকখি।

[illegible]/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3851/6/05-04/06